**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-01-2026)**

**গান-ঙাই (এল)ঃ** কবুই ফুরুপকী গান ঙাই ঙরাংদগী হৌখ্রে। ফুরুপ অসিগী অহল লম্মন অমদি পাখং-লৈশাবীশিং য়াওনা নুমিদাংগী মতমদসু নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। কুম্নে অসি নুমিৎ মঙানি চুপনা পাঙথোক্কনি।

কুম্নে অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালদা অখন্ননা উন্নবা অমদা কবুই য়ুনিয়-মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: কে.হিরা কবুইনা হায়-কুম্নে অসি য়ামা ঙল্লিনৌ মতমদগী তিনমু ফত্তবা, লাইমু ফত্তবা তাম্থোকবা পাঙথোক্তুনা লাকপা কুম্নে অমনি। কুম্নে অসিনা কবুইশিংগী নাৎ অমসুং চৎনবী ঙাক্তুনা থম্বদা চাউরা থৌদাং লৌরি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লংদুম নুংজেংবী এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা পোইন্ট থ্রি টুগী মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা, টুয়েল্ভ বোর এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেট অনি, লেথোদ সেল অনি, পোম্পী সেল মরি, দিটোনেটর অহুম, ট্যুব লোঞ্চর অমা, বাউফেং ৱয়ারলেস রেদিও সেট অনি তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন তরুক অমসুং নোংমৈ মরু ১৩৫ ফাগৎলে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা ৱাংখৈ নীংথেম পুখ্রি মপানদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী ঐচ.পি. কি বোর্ড অমা, মোবাইল ফোন হেন্দ সেট অমা অমসুং অধারক কার্ড অমা ফংলে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থৌবাল দাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোংগ্লাম ভিলেজ এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কন্ত্রিমেদ বোম ২৭ ফাগৎলে।

**সাইকল(এল)ঃ** বেঙ্গলুরুদগী কৈন্যাকুমারী ফাওবা মায় পাকা সাইখল থৌখিবা এস. সুরেস কুমারবু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিন থাগৎপা ফেংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- সুরেস কুমারগী সাইকল থৌবগী ৱারী অসিনা ইচম চমা মায় পাকপগী খোঙচৎ অমা ওইবতা নত্তনা মহাক্কী ৱাখল অমসুং থৌনাবু ময়েক শেংনা উৎলি। শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা খুন্নাইদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মশা-মউ ফনা অমদি পুকিং ৱাখল চুমা লৈহন্নবগী পাউজেল পীরি। শ্রী মোদিনা সুরেস কুমারদা ফোন তৌদুনা মহাক্কী হোৎনবা কনবা অমসুং থৌনা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি।

**বুল্লেটঃ** কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-কুমজা ২০২৭ কী আগষ্ট ১৫ দা ভারত্তা অহানবা ওইনা বুল্লেট ত্রেন চেনবা হৌরগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-অহানবা বুল্লেট ত্রেনগী প্রোজেক্ট অসি হৌজিক হৌজিক অহমেদবাদতগী মুম্বাই ফাওবগী মরক্তা শেমগৎলি। হায়রিবা প্রেজেক্ট অসি লোয়শিনদুনা মথং চহিগা আগষ্ট ১৫ দগী চেনবা হৌননবা কন্না হোৎনরি। প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা সেসনদা সুরটগী দিল্লিমোরা ফাওবা পায়খৎকনি। মদুগী মথংদা ভাপীদগী সুরট ফাওবা অমুক মখা তানা পায়খৎনবা পান্দম থল্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কোলকাতা অমসুং গুৱাহাতিগী মরক্তা চেনগদবা ভন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি অথুবা মতমদা লমথারগনি।

রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-লৈবাক অসিগী ইহান হানবা ভন্দে ভারত স্লিপ্পর রেলগাড়ি অসি অথুবা মতমগী মনুংদা কোলকাতা অমসুং গুৱাহাতিগী মরক্তা চেলহল্লগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী বৈসনোনা হায়-হায়রিবা রেলগাড়ি অসি চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা হৌদোক্লগনি। মহাকা হায়-কিলোমিটর লিশিং অমদগী লিশিং ১,৫০০ ফাওবা শাংনা চেন্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক স্লিপ্পর ১৬ লৈরে। রেলগাড়িশিং অসিগী অতোংমল লুপা লিশিং ২,৩০০ দগীনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং য়াওরগা লিশিং ৩,৬০০ ফাওবা ওইরবা য়াই।

**ই-বিল ঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেলস এন্দ ফরটিলাইজর মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা লুপা কোতি লাখ অনিরোমগী ওইগদবা হারগী সবসিদিশিং পীননবা ই-বিল সিষ্টেম অমা হৌদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা হায়-নৌনা হৌদোক্লিবা ওন লাইন সিষ্টেম অসিনা হারগা মরী লৈনবা সবসিদিশিং হেন্না মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্ব মওংদা পীবা ঙমহল্লগনি। হান্নদি সবসিদি পীবগী থবক তৌবদা মতম চংবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া থেংনরম্বা অদু অনৌবা থৌরাং অসিদদি হেন্না লায়থোকহনবতা নত্তনা মতম চংবগী চাংসু হন্থহল্লগনি।

**ভন্দে ঃ** প্রসার ভারত্তিগী চিফ ইগজকিটিব ওফিসার-গৌরব দ্বিবেদিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা অকাশবানি ভাবনদা জাতিগী ঈশৈ ওইরিবা ভন্দে মতরমগী করনাতিক অমসুং হিন্দুস্থানি ভরসন ফোংখ্রে।

ভন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুরকপগী নীংশিং থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দিজিটেলগী মওংদা পুথোক্লিবা ভর্সন অনি অদু ফোংখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী দ্বিবেদিনা হায়-ভন্দে মাতরম অসি নীংতম ইহৌগী ইচম চন্বা ঈশৈ অমা নত্তে, মসিনা জাতিগী অপুনবা শক্তম অমসুং ইদি

টগ্রিতি শাগৎপদা চাউনা মতেং পাংলি। তোঙান তোঙানবা ম্যুজিকশিংগা লোয়নন পুথোক্লিবা ঈশৈগী মওং অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অপুনবগী শক্তম অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগী অচেৎপা মরী শাগৎপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

অকাশবানিগী ই-পাউ কাংবুগা উন্নবদা শ্রী দ্বিবেদিনা হায়- ঈশৈ অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মরৈবাক মরমদমবু নংশিবগী ৱাখল্লোন ফাওহনবতা নত্তনা জাতিগীদমক কৎথোকপগী ৱাখল্লোনসু ফাওহনগনি। তোঙান তোঙানবা ম্যুজিক ২৫ দা ভন্দে মাতরম অসি পুথোকবা পান্দম থল্লি।

নৌনা ফোংখিবা ভন্দে মাতরমগী ভরসন অনি অদুগী কম্পোজর-উসতাদ জোহার আলিনা হায়-ঈশৈ অসি করনাতিক ম্যুজিক্কী মওংদা অমসুং হিন্দুস্তানিগী মওংদা নৌনা ওন্থোক্তুনা পুথোকপনি।

**মুরুমঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা অহুমশুবা লৈবাক ওইনবা হোৎনরি। পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) না মরুওইবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ন্যু দিল্লিগী রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙরাং পাঙথোকপা এ.আইগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-এ.আই. হায়বসি ইচম চম্বা টেকোলোজি অমা নত্তে। মসি লৈবাক অসিবু অচুম্বা মায়কৈদা অহোংবা পুরকবা খুৎলায় অমনি।

লৈবাক অসিগী পোৎথোক চাথোক হেনগৎহনবা, নহাশিংদা থবক পীবা ঙমহনবা অমসুং অতৈ চাউখৎ থৌরাং কয়াদা এ.আইনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি। মালেমগী খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা ভারতগুম্বা লৈবাক অমদা এ.আইনা মরুওইবা থৌদাং লৌগদবা মরমনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমকা এ.আইগী ৱাখল্লোন নীংথিনা খঙনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**জোবঃ** কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট, এগ্রীকলচর অমসুং ফামরস ৱেলফিয়ার

মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ঙরাং মহারাস্ত্রগী অহমদ নাগর জিলাদা পাঙথোকপা স্পিসিএল গ্রাম সভা মীফম অমদা শরুক য়াখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ভিক্সিত ভারত জি রাম জি এক্ট ২০২৫ অসিদা খুঙ্গংদা লৈরিবা জোব কার্ড ৱাকরশিংদা চহি অমদা নুমিৎ ১২৫ থবক পীবা অমসুং মখোয়গী খুৎশুন হপ্তা অমগী মনুংদা শুংশোই শোয়দনা পীগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। করিগুম্বা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল পীবদা থেংথরবদি চাদা পৈশা মঙাগী চাংদা শেন্দোই হাপ্তুনা খুৎশুমল পীগনি। মহাকা হায়-অনৌবা আইন অসিনা হান্না লৈরম্বা এম.জি-নরেগা অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা খুঙ্গংগী মীয়ামদা চাউনা কান্নরবা পীরগনি। খুঙ্গংশিংগী দরকার লৈবগী মতুং ইন্না করম করম্বা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু গ্রাম সভাশিংনা ৱারেপ লৌগনি। হায়রিবা স্কিম অসিদা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বা, চাউখৎ থৌরাংগী মচাকশিং হেন্না ফগৎহনবা, খুঙ্গংগী মীয়াম পুন্সি মহিং ফগৎহনগদবা থবকশিং পায়খৎপা অমসুং মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবশিং ঙাকথোকবা হোৎনবা অসিনচিংবা থবক থৌরাং কয়া য়াওরি।

**রাজনাথঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) লিংখৎখিবগী কুমওন নুমিৎতা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা মসিগী বৈগ্যানিকশিং অমদি অতৈ মীওইশিংগী মফমদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী রাজনাথনা দি.আর.দি.ওগী বৈগ্যানিকশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইবা থবক পাঙথোকপনচিংবা কয়া অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়-লমদম অসিগী ওইবা টেকোলোজিশিং পুথোক্তুনা দি.আর.দি.ওনা লৈবাক অসিবু মীপাল তাংহন্দবগা লোয়ননা আর্মর্দ ফোর্সেসশিংগী থাজবা হেনগৎহল্লি।